## টিয়র গ্যাসনা...

*লামায় ১গী মখা...* খঙহৌদনা মশীং য়াম্লবা সিক্যুরিটি পর্সনেল শীজিন্নরগা লম ওনখিবা অদু কৈদৌনুংদা য়াবা ঙম্লোই।

অমরোমদা, চীংখৈ থৌবৈ (পৈ) জোইন্ট সেক্রেটরি এম গাইরোংলুংনা ফোঙদোরকপদা মফম অসি চৈথারোল কুম্বাবগী মতুংইন্না মখোয়গী অহল লমনশিংনা খুন্দাদুনা লাকপনি। লোয়ননা লম অসিগী পাট্টাসু পায়রিবনি। অদুবু লিলোং চীংখম দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন হায়বা অমনা ইনৌ নৌনা কুমজা ২০১২দগী খাস লেন্দনি হায়বগা লোয়ননা লমগী পাট্টাশিংবু শাশিন্নবনি হায়বা অরানবা যূম্ফম য়াওদবা ৰাফমদা কোর্টতা কেস তৌরকখিবনি। কোর্টনসু খাস লেন্দনি হায়না ক্লেম তৌবা হায়বসি মখোয়গী হক লৈতে হায়না ককখ্রবনি। মতুংদা মখোয়না হায় কোর্টতা রিট পিটিসন ফাইল তৌরকপনি। ওর্গনাইজেসন অসিনা মীশিং য়াম্বনা ফুরুপ অসিবু থেঙ্খাং কয়াদা ওৎ নৈবগী থবক চত্থরকপনা খুঞ্জাশিং চহী ১০গী মথক্তা অৱাবা মায়োক্লদুনা লাক্লি হায়খি।

ঙসিগী ঈরাং অসিদসু য়ূম অমদা নূঙনা থোমজিল্লক্তুনা অকায় অতোয় থোকহনখি। মরম অদুনা মখোয়বু ঙাকপী শেনবীনবা মরী লৈনবশিংনা থবক লৌখৎপীয়ু হায়দুনা পূক্লিং চিংশিল্লকখি।

## ম্যান্মারশিংগী মতাংদা হায় কোর্টতা ...

*লামায় ১গী মখা...* চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী দিটেন্সেন সেন্টর ওইনা শীজিন্নরিবা ন্যু লমকাগী সদভবনা মান্দবতা ম্যান্মার নেসনলশিং অদু থল্লকখিবনি। অদুবু জেল ওথোরিটিগী মায়কৈদগীসু মখোয়গী চান-থক্লবা পোৎলমশিং পীখিদে। ডাক্তর অমসুং নর্সশিংনসু মখোয়দা মেদিকেল্লগী ওইবা মতেং অমত্তা পীখিদে। শুপ্নতগী মীয়ামগী থবক তৌবা ওর্গনাইজেসন খরনা লন্নাই ওইনা মখোয়বু পীজ-পীথক তৌরকখিবনি। চৈরক্তুদা জুন ৬ অমসুং ৮দা ম্যান্মার নেসনল ২৯ অদুগী মনুংদগী মা ময়িন্ট অমসুং মুখাই কৌবী নুপী অনী কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা লৈখিদবনি। অদুগা অতোপ্পা ম্যান্মার নেসনল ১৩না কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদগী জুন ৭, ২০২১দা লায়েংনবগীদমক চুড়াচান্দপুর গভর্ণমেন্ট কোলেজদা হাংদোকপা কোভিদ কেয়র সেন্টরদা থমখিবনি। অদুগা জুন ১৬, ২০২১দগী অমুক হন্না দিটেন্সেন সেন্টর অসিদা থল্লক্লিবনি হায়রি। মখোয়গীদমক মতিক চাবা চান-থক্লবা পোৎলম অমদি মেদিকেল্লগী খুদোংচাবা ফংহনবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবা নুপী অনীগী ইমুংগী মীওইশিংদা কম্পেন্সেসন পীহনবীনবা পিটিস্নরগী মায়কৈদগী মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনদা ৱাকৎখিবনি অদুবু কম্মিসনগী মায়কৈদগী ঙসি ফাওবদা চপ চাবা রিপোর্ট অমা পুথোরকখিদবদা নত্তনা রেকমেন্দেসন অমত্তা তৌরক্তবদগী পিটিস্নরনা পি আই এল অসি হায় কোর্টতা ফাইল তৌরকপনি হায়রি।

## এম এল এশিং দিসক্কালিফাই তৌবগী ৱাফম অথুবা মতমদা গভর্ণরনা ...

*লামায় ১গী মখা...* মৈতৈ (য়াইমা) না পিটিস্নরশিং ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবা স্পেসল লিভ পিটিসন অনীসু পূন্না লিষ্ট তৌদুনা লৌখৎখি।

ঙসি এপেক্স কোর্ট অসিগী জষ্টিস অহুমগী বেঞ্চনা মেট্টর অহুম্মক অমুক হন্না লৌখৎখিবা অসি থা অসিগী ৯দা বেঞ্চ অসিনা চপ মান্নবা মেট্টর অহুম্মক লৌখৎতুনা খন্নরবা মতুংদা পীখিবা দিরেক্সনগী মতুংইন্ননি। থা অসিগী ৯দা মেট্টরশিং অসি তাঙ্কক অনীরক থোক্লা কোর্টনা লৌখৎখিবদা মেট্টরশিং অসিগা মরী লৈননা শরুক য়াগদবা সোলিসিটর জেনরেল ওফ ইন্দিয়া টুসর মেহতা শরুক য়ারখিদবনি। লোয়ননা কোর্টতা মরী লৈনবা কাউন্সেলশিংগী মায়কৈদগী মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মতম লোইগদবা থা অমা খক্তা ঙাইরে হায়বগা লোয়ননা জন্যুৱারী ১৩, ২০২১দা ঈ সী আইগী মায়কৈদগী গভর্ণরদা পীখিবা মখোয়গী ‘ওপিনিয়ন’ অদুগী মতুংইন্না মণিপুরগী গভর্ণরনা হৌজিক ফাওবদা মহাক্কী মায়কৈদগী লৌফম থোকপা ৱারেপশিং এম এল এ ১২গা মরী লৈননা লৌদ্রে হায়বনচিংবা সবমিসনশিং তৌরকখিবদগী কোর্টনা মণিপুরগী গভর্ণরগী সেক্রেটরিদা নোটিস ইস্যু তৌখিবনি।

লোয়ননা ঙসি এপেক্স কোর্ট অসিনা মেট্টরশিং অসি লৌখৎলকপদা সোলিসিটর জেনরেলনা এম এল এ ১২বু ওফিস ওফ প্রোফিটকী ইস্যুদা দিসক্কালিফিকেসন তৌবগা মরী লৈনবা ৱারেপশিং গভর্ণরনা অথুবা মতমদা ঈ সী আইনা পীরকখিবা ওপিনিয়ন অদুগী মতুংইন্না লৌরগনি হায়বগী থাজবা কোর্টতা ফোঙদোকখিবনি।

সোলিসিটর জেনরেলগী মায়কৈদগী ৱাফম অসি কোর্টতা সবমিসন তৌরবা মতুংদা বেঞ্চ অসিবু প্রিসাইদ তৌখিবা জষ্টিস এল নাগেশ্বরা রাওনা সোলিসিটর জেনরেলদা মহাক্কী গুদ ওফিসপু নীংথিজনা শীজিন্নবা পাউতাক পীখি।

লোয়ননা ঈ সী আইগী ওপিনিয়ন অদু জন্যুৱারীদা পীরকখ্রবনি অমসুং কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ১৯২গী মতুংইন্না গভর্ণরনা মসিগী মতাংদা ৱারেপ লৌগদবনি। অদুবু হৌজিক থা ১১ হৌখ্রে হায়রদুনা মতাং অসিদা কোর্টকী মায়কৈদগী ওর্দর পীবা পামদে হায়বগা লোয়ননা সোলিসিটর জেনরেলদা মহাক্কী ওফিসনা তৌফম থোকপা থবকশিং তৌবগা লোয়ননা মদুগী মায়োক্তা কনাগুম্বশিংনা চেলেঞ্জ তৌনীংবা লৈরগসু তৌজসনু হায়নসু সোলিসিটর জেনরেলদা খঙহনখি।

কোর্টকী দিরেক্সন তারবা মতুংদা সোলিসিটর জেনরেলগী মায়কৈদগীসু অমুক হন্না কোর্টতা দিরেক্সন পীবগী মথৌ তাদ্রে। থবক অসিগী মতাংদা করিগুম্বা খরা শোয়দনা তৌরক্লগনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোকখি।

অদুম ওইনমক ওফিস ওফ প্রোফিটকী খুদোংচাবা ফংলুরে হায়রিবা এম এল এশিং অসিবু ঈ সী আইনা পীরকখিবা ওপিনিয়মগী মতুংইন্না দিসক্কালিফাই তৌগদ্রা নৎত্রগা তৌরোইদ্রা হায়বগী মরী লৈনবা ৱারেপশিং সোলিসিটর জেনরেলনা অথুবা মতমদা গভর্ণরনা ৱারেপ লৌরগনি হায়রবসু থবক অদু করম্বা মতমদা পাঙথোরক্কদগে হায়বদুদি য়েংখিবা তারি।

## খৃষ্টমাস মমাঙদা কোভিদ ভেক্সিন ১০০দা ১০০ কাপথোকপীয়ু...

*লামায় ১গী মখা...* কুইদনা প্রাইম মিনিষ্টরনা মণিপুরগী চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা ভেক্সিনেসনগী চাং নেম্বগী মতাংদা হকচিন্না লৌখি হায়রদুনা লৈবাক অসিনা চাংচৎতা য়েংলুরবসু তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্টশিংদগী চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদনা কোভিদ ভেক্সিনেসনগী চাং নেম্লি হায়খি।

মীয়াম্না কোভিদ-১৯ ভেক্সিনগী মতাংদা শেমজিন শাজিনবা অমসুং অরানবা তোকঙাশিং থাজবীগনু হায়রদুনা চর্চকী লুচিংবশিং, ভিলেজ চীফ অমসুং চীংগী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনা তমথীরবা লায়না অসিদগী মীয়াম্বু ঙাকথোক্লবগীদমক হীদাক কাপথোকহন্নবা হোৎনবীয়ু হায়খি।

লৈবাক অসিনা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন অনী পুথোক্তুনা পেন্দমিক অসিবু মায়োক্ল রক্তুনা মমল য়াম্লবা থৱায় ক্রোর কয়া কনবা ঙম্লে হায়রদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা হৌজিক ফাওবদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনগী দোজ ক্রোর ১০০ হেন্না কাপথোক্লে হায়খি।

থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টরনা হৌজিক্কী পেন্দমিক মায়োক্লরিঙৈগী তাঞ্জা অসিদা ক্যের ইন্দিয়া টিমনা মীওইবগী মীনুংশিগা লোয়ননা যূমথোঙ খুদিংদা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকপগী থবক লৌখৎলকপগীদমকসু টিম অসিবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, ক্যের ইন্দিয়ানা মখোয়গী সী এম আর ইনিসিএটিভকী মখাদা হৌজিক ফাওবদা কোভিদ ভেক্সিন এক্সপ্রেস ১২০ অমসুং ষ্টাফশিং পীরক্লিবনি। হীদাক কাপথোকপগী থবক্তা শীজিন্নরিবা কোভিদ ভেক্সিনেসন এক্সপ্রেসকী গাড়ীগী ষ্টাফশিংগী চার্জ পুন্নমক এন জি ও অসিনা পুথোকপনি।

ঙসি লমথাখিবা কোভিদ ভেক্সিনেসন এক্সপ্রেসকী গাড়ীশিং অসি কোভিদ ভেক্সিন অমসুং মথৌ তাবা পোৎলমশিং য়াওবগী মথক্তা মেদিকেল পর্সনেলশিংনা দিষ্ট্রিক্টশিংগী যূমথোঙ খুদিংদা চঙদুনা হীদাক কাপথোক্কদৌরিবনি হায়খি।

মমাঙগী থাদসু চীফ মিনিষ্টরনা ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী কোভিদ ভেক্সিনেসন এক্সপ্রেসশিং লমথাখ্রবনি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা রাজ্য সভাগী এম পি লৈশেম্বা সনাজাওবা, চীফ সেক্রেটরি রাজেসকুমার, এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি (হেল্থ) ভি ভুমলুনমাং, ক্যের ইন্দিয়া রাম কৃষ্ণন বালা কৃষ্ণনগী আই সী টি হেদ, হেল্থ সর্ভিসেসকী দিরেক্টর ডা. কে রাজো অমসুং অতৈ ওফিসলশিংনা শরুক য়াখি।

## লংথবালগী এম এল এ করাম ...

*লামায় ১গী মখা...* ঙমদবদগী মহাক পোলিটিক্সতা খোঙদারকখিবনি। মীয়াম্বু থৌগল তৌনবগীদমক পোলিটিক্স চঙখিবনি। হৌখিবা কুমজা ২০০২দা মহাক্না শীংজং পায়রদুনা সহিদ মিনরদা লৈবাক মীয়াম্বু থৌগল তৌগনি হায়দুনা ৱাশকখিবা অদুদা চেনখিবা মহাক্কী ৱাখল্লোন অদু হৌজিকসু লেঙদনা লৈরি হায়নসু মীয়ামদা ফোঙদোকখি।

হৌজিক্তি বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অমা মণিপুরদা লৈরকপগা ইরোয়ননা মাঙলুরবা কাঙলূপ-ফুরুপ মশেলগী মরক্তা লৈনগদবা মীনুংশিগী লংলা অদু অমুক হঞ্জিনহনবা ঙম্বগা লোয়ননা ঈং-তপ্পা পুন্সি মরেলসু অমুক হঞ্জিনহনবা ঙম্লে হায়খি।

মণিপুরগী লম্বী থোংগী ফীভম, অনা লায়েংগী মথৌ তাবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং ফগৎহল্লকপা অমসুং যূমথোঙ খুদিংদা গভর্ণমেন্টনা পায়খৎপা য়াইফ থৌরাংশিং ফংহনবনচিংবা য়াওনা লৈঙাক্লা পায়খৎখিবা থবক থৌরমশিংবুসু চীফ মিনিষ্টরনা ঙসিগী থৌরম অদুদা নৌহৌননা নীংশিংখি।

বি জে পিগী নেসনল লিদরশিংনা মণিপুরদা ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টম চৎনহল্লকপদা নত্তনা নেসনল লিদরশিংনা মণিপুরগীদমক তৌবীরকপা থবকশিংগী মনুংদা মাউন্ট হেলিএটপু মাউন্ট মণিপুর হায়না মমিং ওন্থোকপীখিবা অসিসু অমনি হায়খি।

লংথবাল এ সীগী এম এল এ করাম শ্যামনা বি জে পিদা চঙলকপনা পার্টি অসিগী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহল্লগনি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি। লোয়ননা মথং চহীগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলদা বি জে পিনা এবসোল্যুট মেজোরিটি ফংদুনা অমুক হন্না লৈঙাক শোয়দনা পায়রগা মীয়াম্বু থৌগল তৌখিগনি হায়নসু থাজবা পীখি।

থৌরম অদুদা বি জে পিদা নৌনা চোঙশিল্লকখ্রবা এম এল এ, কে শ্যামনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা লংথবাল এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসি মহাক্না নহা ওইরিবা ওন্ত্রপ্রেন্যুওরশিংগীদমক মোদেল কন্সটিট্যুএন্সি অমা ওইহল্লগনি হায়খি।

মহাক্না বি জে পিদা য়াওরক্লিবসি এ সী অসিগী পোল্লিং ষ্টেসন ৪০গী মেম্বর পুন্নমক্কা তানরবা মতুংদনি হায়বগা লোয়ননা এল জে পিগী নেসনল লিদরশিংগী মনুংদা য়ানদবা কয়া থোরক্লে হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ৱাখল্লোনবু য়ানীংবগা লোয়ননা মহাক্না মীয়ামগীদমক তোঙান তোঙানবা স্কিম ২৪৫ হেন্না হৌদোক্তুনা কান্নবা ফংহল্লি হায়নসু ফোঙদোকখি।

লোয়ননা কে শ্যামনা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল মনুংদা মখল অমত্তগী থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোকহনবীগনু অমসুং ঈং-তপ্পা কায়দনা থম্বীয়ু হায়নসু আপীল তৌখি।

থৌরম অদুদা বি জে পিগী নেসনলে স্পোক্সপর্সন সম্বিট পাত্রা, রাজ্য সভাগী এম পি লৈশেম্বা সনাজাওবা, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ শর্দা অমসুং এম এল এ ইন্দ্রজিৎনচিংবা পার্টিগী লুচিংবা কয়ানা শরুক য়াখি।

## থৌবালদা চাক...

*লামায় ১গী মখা...* পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ শর্দা, থৌবালগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর সুভাস অমদি পেট্রোলিয়ম অমসুং নেচরেল গ্যাসকা মরী লৈনবা ওফিসলশিংনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা মিনিষ্টর বিশ্বজিৎনা হায়, প্রাইম মিনিষ্টরনা কুমজা ২০১৬তা লৈবাক অসিগী নুপীশিংগীদমক হৌদোকপীখ্রবা উজ্বালা স্কিম অসি মণিপুরদা কুমজা ২০১৭তা বি জে পি লৈঙাক লাক্লিঙৈ চহী অমরোম মায় পাকহন্দনা লৈরম্বদুগী মরম মীয়াম্না খঙবীয়ু। ঙসি লৈরিবা বি জে পিগী লৈঙাক অসি লাকপদগী স্কিম অসি মায় পাকপা ঙম্লে। থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা উজ্বালা ১.০দা মীওই ১৪,৩৬২দা গ্যাস কনেক্সন পীখি অদুগা উজ্বালা ২.০গী মখাদনা হৌজিক ফাওবদা মীওই ১৯০৮দা গ্যাস কনেক্সন পীবা ঙম্লে হায়খি।

## শিলোংগী রেদ লেন্দগী নিংথৌনা শারম্বা য়ূম ম্যুজিয়ম ওইহল্লগনি...

*লামায় ১গী মখা...* থবক থৌরমশিংনি। মফম অসিদা হৌজিক ফাওবদা লৈরক্লিবা ক্যেরটেকরগী তোলোপসু মণিপুর লৈঙাক্কী জি এ দিনা পীদুনা লাক্লিবনি। লৈবাক অসিগী কোলকটা অমদি দেল্লীনচিংবদা লৈরিবা মণিপুর ভবনশিংসু জি এ দিগী মখাদা লৈরক্লিবনি।

অদুম ওইনমক দিরেক্টর মশানা পুৱারীগা শাগোন্নরক্লিবা শিলোংগী রেদ লেন্দবু হকথেংননা য়েংশিল্লুরিবা অদুসু তশেংনমক মহাক্কী লোয়শঙগী ওইবা মায়কৈদগীদি নত্তে। জি এ দিগী মায়কৈদগী আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টতা শীন্নবীরকপদগী য়েংশিনবগী থৌদাং লৌরুবনি হায়রি।

অদুম ওইনমক শিলোংদা লৈরিবা মণিপুরগী পুৱারীগী লিক্লমদা তাঙ্কক খরদা শেৎতোক-খাইদোক্লবা য়াদ্রিবা রেদ লেন্দগী মতাংদা আর্ট এন্দ কলচরগী মায়কৈদগী পূক্লিং চঙশিল্লুরিবগী মরমদি মতম অমগী নিংথৌনা মফম অসিদা শারম্বা অরিবা য়ূম অসি মখা তানা তেক্তা কায়দনা অমসুং কন্দুনা থম্লিংবগীদমক্তনি।

মফম অসিগী য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা মণিপুর ষ্টেট আর্কিওলোজিগী সুপরিন্টেন্দেন্ট কে সশিকান্তসু শরুক য়াখি। মরমদি চহী কয়াগী মমাঙদা মণিপুরগী নিংথৌনা মফম অদুদা শারল্লিবা য়ূম অসিগী মরু ওইবশিং লৈরি। মরম অসিনা অরিবা য়ূম অসিগী অকোয়বশিং চেকশিন্না খাজিল্লগা ম্যুজিয়ম ওইনা থম্বগী তঙাইফদবা লৈরি। অদুবু ষ্টেট অসিগী মনুংদা লৈবা মফম ওইদবনা মণিপুরগী লৈজরিবা হিষ্টোরিকেল মোন্যুমেন্ট এক্টকী মরী লৈনবা প্রোভিজনশিংগী মখাদা ‘চেকশিল্লবা মফম’ (প্রোটেক্টেদ এরিয়া) অমা ওইবগী থাক্তা থম্বদি য়াদ্রে। মেঘালয়াগী ওইনসু এক্ত অমা লৈজবা মরম্না ঐখোয় মণিপুরগী অরিবা মতমগী শিংথানিংঙাই ওইরবা মফমশিং য়োকখৎনবগী লৈজরিবা এক্ত অদুনা লানশিল্লুবদি য়াদ্রি হায়রি।

মসিগী মথক্তা রেদ লেন্দগী মফম অসি মেঘালয়া ষ্টেটকী ওইনা সেদ্যুল লেন্দ ওইবা মরম্না পাট্টা তাশিনবসু য়াদ্রে। মণিপুর লৈঙাক্কী জি এ দিগী মায়কৈদগীদি রেদ লেন্দনা কোল্লিবা মফমশিং অসিগী পাট্টা তাননবা কন্না হোৎনবনি অদুবু য়ারক্তবদগী চহী ৩০গী লিজ ওইনা ইনদুনা মেঘালয়া গভর্ণমেন্টতা থিফম থোকপা শেনফমশিং থিরগা হৌজিক মসিবু শেমগৎ শাগৎপা য়ানবগীদমক থবক লৌখৎলকপনি।

লিজ হায়বসিদি মসিগী মতম লোইশিনবা নাইবনিনা অমুক মখা শমথদুনা চখনবা হোৎনগদবনি অদুবু লিজ ওইনা লৈবনি হায়দুনা মেঘালয়া লৈঙাক্লসু হেক্তা লৌশিনবদা লায়না থোক্কদবদি নত্তে। মরমদি মফম অসিগা মণিপুরগী পুৱারীগা শাগোন্নবা তাঙ্ককশিং লৈরিবনি। মফম অসিদা শেমগৎ শাগৎকদৌরিবা থবকশিংগী মনুং চন্না মতম অদুগী নিংথৌবু ঙাকশেনখিবা মীওইশিংগী লৈহৌরিবা মচা-মশুশিং অদুসু কমপ্লেক্স অসিগী মনুংদা গেষ্ট হাওসশিং শাগৎলিঙৈগী মনুংদদি মতম খরগী ওইনা অতোপ্পা মফম অমদা থৈদোক্লগা লৈননবা থৌরাংসু হোৎনরি হায়খি।

আর্ট এন্দ কলচরগী দিরেক্টরনা মখা তানা হায়, রেদ লেন্দনা কোল্লিবা এরিয়া অসি মণিপুর লৈঙাক্কী মীংদা পাট্টা তাবা য়াদ্রবসু মেঘালয়া লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা অতোপ্পা মফম খরদদি পাট্টা তাবা য়াবসু য়াওরি। অদুবু রেদ লেন্দগী এরিয়া অসিদি ষ্টেট অদুগী সেদ্যুল এরিয়াগী মনুংদা চনবনিনা পাট্টা তাবা য়াদ্রি। মসিমক্লসু মফম অদুবু নিংথিজনা শেমগৎ শাগৎনীংবা লৈরবসু পূক্লিং লুমদবগী ফীভমদা ঙসি ফাওবা লৈরকখিবনি। অদুবু হৌজিক্তি মেঘালয়া লৈঙাক্না মণিপুর লৈঙাক্কী মরক্তা মফম অসিগীদমক চহী ৩০গী ওইনা লিজ অমগী মখাদা য়ানবা লৈরবনিনা মণিপুরগী মায়কৈদগী শেমগৎ শাগৎনীংবা থবক থৌরমশিং পায়খৎলগনি হায়রি।

লিজ অসিগীদমক হৌজিক মেঘালয়া গভর্ণমেন্টতা পীফম থোকপা শেলশিং পীখ্রে। লোয়ননা চীফ মিনিষ্টরগী মায়কৈদগীসু মফম অসিদা শেমগৎ শাগৎপগী থবকশিং অথুবা মতমদা পায়খৎহন্নীংবগী অপাম্বা ফোঙদোরকপসু লৈখ্রে হায়রি।

লোয়ননা মফম অসিদা শোয়দনা ম্যুজিয়ম অমা ওইরক্লবা হোৎনবা অমসুং অতৈ কয়া শেমগৎ শাগৎপগী থবকশিং পায়খৎলগদবনিনা থবকশিং অদু করম্বা থিমদা অমসুং করি করম্বা ৱাখল্লোন্দা পায়খৎকদগে হায়বসি আর্ট এন্দ কলচর লোয়শঙ অমসুং আর্কিওলোজিগী মায়কৈদগী কন্না তানদুনা পুথোক্লবা হোৎনরি। হেরিটেজগী ওইবা মীৎয়েংদা য়েংলগসু হিষ্টোরিকেল সাইদ অমা ওইনা থম্বা অমসুং গেষ্ট হাওসনচিংবা শাবগী থবকশিংনি। হৌজিক রেদ লেন্দনা কোনশিল্লিবা মফম অসি একর ১.৯৩ রোমগী এরিয়ানি অদুগা স্কৱার মিটরদা হায়রগনা মিটর ৭৮২৫.৩১নি। অদুগা প্লোট নম্বরনা ৮৪নি।

মণিপুরগী পুৱারীগা শাগোন্নরক্লিবা মফম অসিদা পায়খৎকদৌরিবা শেমগৎ শাগৎপগী থবকশিং হেক্তা তৌশিনবা অমসুং শাজিনবা চুমদে। ক্বালিটি লৈনা অমসুং মতমগা চুনবা মওংদা শাগৎহৌবগী তঙাইফদবা লৈ হায়রি।

মফম অসিদা করিগুম্বা গেষ্ট হাওসশিং শাবা লোইশিল্লক্লগদি মেঘালয়াদা মহৈ তম্লিংবা মহৈরোয়শিং অমদি মণিপুরদগী মফম অসিদা কোয়বা চৎপা অমসুং ওফিসলশিংগী ভিজিট ওইরবসু গেষ্ট হাওস অসিদা থুংবদা নত্তনা পুৱারীগা শাগোন্নরক্লিবা রেদ লেন্দ অসিগী মশকসু উহনবা ঙম্লগনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, অন্দমান অমসুং নিকোবরদা লৈরকখিবা মণিপুরগী নিংথৌ কুল্লচন্দ্র অমসুং মহাক্কা লোয়নবশিংবু লোই থাখিবা মফম মাউন্ট হেরিএটপুদি হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা ‘মাউন্ট মণিপুর’ হায়না ওন্থোকপীখিবা লৈখ্রবনি।

| FOREX (INDIA RUPEES) | |
| --- | --- |
| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
| Euro | 85.334997 |
| US Dollar | 74.410041 |
| British Pound | 99.766939 |
| Australian Dollar | 54.399657 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.635147 |
| Japanese Yen | 0.653033 |
| Malaysian Ringgit | 17.853860 |
| Singapore Dollar | 54.965363 |
| South Korean Won | 0.063033 |
| Saudi Arabian Riyal | 19.842678 |
| Thai Baht | 2.265931 |

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | | | |
| --- | --- | --- | --- |
| Chennai | – | Rs | 48637.00 |
| Mumbai | – | Rs | 49440.00 |
| Delhi | – | Rs | 49446.00 |
| Kolkata | – | Rs | 49960.00 |


## GAS NEWS

**TANGLEI GAS OINAM**
V/f- 06-11-21
**B/upto - 09-11-21**
**Stock 306**
7am to 10am

**SANTHEL BAZAR INDANE GRAMIN VITRAK**
**BOOKING upto 19-09-2021**
VALID FROM 17-09-2021
**STK 306**
TIME 8:00 -11:00
HOME DELIVERY DATE 012-11-2021
CONTACT NO-7005695308, 6009772483

**KHORIPHABA NAMBOL**
**Bk up-to-date**
Home delivery contact no:9366471778, 8974087390, 8787632782

**LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING**
**BOOKINGupto-05-10-2021,**
VALID FROM 27-09-2021,
**STOCK : 918**
HOME DELIVERY ONLY.CONTACT NOS: 9862836403, 8415050488, 9862283423,
CALL TIME : 7 am to10 am

**MM GAS SERVICE**
HOME DELIVERY ONLY
NO PHONE CALLS
ONLY SMS OR WHATSAPP
TIMING 8:00 AM TO 12:00 NOON
**BOOKING: BK.UPTODATE**
FOR ALL IMPHAL-WEST & IMPHAL-EAST 8131942156 (SMS/WHATSAPP)
7085198900(ENQUIRY)
FOR ALL THANGMEIBAND & LAMPHEL 7628098544, 9089370369, 9774443052
FOR ALL LANGOL AREA 7085977502

**M/S MANIPUR POLICE GAS SERVICE**
**BOOKING UPTO 25/09/21**
Valid from 22/09/21
Time: 11 am to 2 pm
Any enquiry and booking Contact no. 7629045883

**HRANGCHAL GAS AGENCY**
VALID FROM: 26/10/2021
**BOOKING upto:28/10/2021**
BOOKING AND ENQUIRY ONLY : 03852444677, 9436280866
TIMING: 7:30 am to11:00am


## এগ্রিকলচর, এদ্যুকেসন, লম্বী থোং, হেল্থতা অওনবা পুরক্কনি ...

*লামায় ১গী মখা...* শীজিন্নদুনা লমদম অসিগী মীয়াম্বু শেন্থোক লম্বী লৈহন্নবগী পোলিসি প্রোগ্রাম কয়া পায়খৎতুনা থবক তৌবা উদ্রি। এ সী অসিদা কুম্বী কালেন নাইদনা ঈশিং মরাং কায়না লৈবা ইম্ফাল তুরেল অমদি চকপি তুরেল হায়বা তুরেল অনী লৈরি। অদুবু লৌমীশিংনা লৌ উবদা চঙবা ঈশিং ঙসিসু ইরিগেসন মতিক চানা শেমগৎপীদবনা ঈশিংগী অৱাবা অদুমক মায়োক্লরি। মরম অদুনা কুম অমদা অমুক্তং লৌ উবা ঙল্লি। অসিগুম্বা অৱাৎপা কয়া অসি শেমগৎ শাগৎতুনা লমদম অসিদা লৈরিবা মীওইশিংবু শেন্থোক লম্বী লৈহন্দুনা নুংঙাইবা পুন্সি মহিং অমা ওইনবা হোৎনবা অমদি লম্বী-থোং ফৎত্রিবা অসি ফগৎনবা হোৎনগে খল্লি। সুগনু এ সী অসিদা লৈরিবা কম্যুনিটি হেল্থ সেন্টর অসিদা ওপরেসন ঠিএটর, অল্ট্রা সাউন্দ, এক্সরে লৌনবগী খুদোংচাবা লৈরগসু নীংথিনা মথৌ তৌবা হায়বদু ওইদ্রি। অনা-অয়েক য়াওরকপা মতমদা ইম্ফাল তম্না চৎপা তারকই, মদুদসু লম্বী-থোং ফৎতবনা অৱাবা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। লোয়ননা এদ্যুকেসন সেক্টরদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা গভর্ণমেন্ট স্কুলশিং নীংথিনা মথৌ তৌহন্দুনা হ্যুমেন রিসোর্স মপুং ফানা শেমগৎ-শাগৎপা ঙমদ্রি। মরম অদুনা হায়রিবা অৱাৎ-অপাশিং অসি মীয়ামগী মীহুৎ অমা ওইদুনা মেনখৎতুনা মীয়ামগী অৱাবা কোক্লনবা থবক পাঙথোক্কে। লোয়ননা হৌরক্লিবা নহাশিংগীদমক তুংগী লম্বী য়াৎলমগে হায়না খনবদগী পোলিটিক্সকী লম্বী অসিদা চঙলকখিবনি।

**ৱাহং :** হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসি অফবা লৈঙাক অমনি খনবিব্রা? এম এল এ খরা হন্দক দিসক্কালিফিকেসন তৌখিবা অদুগী মতাংদদি করি হায়বিনিংই।

পাউ: হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসি অফবা লৈঙাক অমনি হায়জনিংই। তৌবতবু থবক অমা তৌথোরকপা মতমদা একাউন্টেব্লিটি লৈনা শীংথানিংঙাই ওইবা মওংদা থবক তৌহন্নিংই। পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা থবক তৌদে হায়বদি নত্তে। ফজরবা স্কিম কয়া পায়খৎতুনা থবক তৌরি। সেন্টর স্পোন্সর স্কিমশিং অসি লেজিসলেচরশিং খক নত্তনা ব্যুরোক্রেটশিংনা য়াম ফজনা ইমপ্লিমেন্ট তৌরগা ইক্বেল দিষ্ট্রিব্যুসন তৌবিদুনা পুকচেল শেংনা থবক তৌহন্নিংবগী অপাম্বা লৈ। মদুনা মীয়ামগী অমদি লমদম অসিগী য়াইফবা হায়বদু ওইগনি খল্লি। দিসক্কালিফিকেসনগী মতাং অসিদা হায়জনিংবদি লুচিংবা অমা ওইরগদি মশাগী চপচাবা ফীরেপ অমা লৈহন্নিংই। কন্সটিট্যুসন অমা লৈ হায়বসি খঙবগা লোয়ননা ইকায়খুম্নহন্নিংই।

**ৱাহং :** লাক্কদৌরিবা মীখল অসিদা করম্বা পার্টিদা মীরেপ ওইগদৌরিবগে? করি-করম্বা ইস্যুদা যূম্ফমদা মীখল লাম্থেংনগে খনবিরি।

পাউ: ঐহাক বি জে পিগী টিকেটতা সুগনু এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মীরেপ অমা ওইনা ভোট লেপকনি হায়বগী চপচাবা ফীরেপ লৈরে। দিভেলপমেন্টদা অওনবা পুরক্লবগী ৱাফমদা যূম্ফম ওইরগা ইলেক্সন থেংনগনি।

**ৱাহং :** কুমজা ২০২২গী জেনরেল ইলেক্সনদা করিগুম্বা ভোট কারবদি ইহান-হান্না এ সী অসিগী মীয়ামগীদমক করি-করম্বা থবক তৌগনি?

পাউ : করিগুম্বা মীয়ামগী থৌজালদগী সুগনু এ সীগী মীয়াম্না এ সী অসিগী মীহুৎ অমা ওইহনবিরবদি অহানবা ওইনা লম্বী-থোংগী খুদোংচাবা কয়া মায়োক্লরিবা অসি কোক্লনবা থবক পায়খৎকনি। অনীশুবদা এগ্রিকলচর চাওখৎন্নবগীদমক ইরিগেসন সিষ্টম নীংথিনা শেমগৎকনি। লোয়ননা অহুমশুবদা মায়কৈ অসোমদা লৈরিবা মীওইশিংনা অনা-লায়েংনবা হোৎনবা থেংনরিবা অৱাবশিং লৈহন্দনবা থবক-থৌরম কয়াসু পায়খৎকনি। গভর্ণমেন্ট স্কুল শিথখিবদগী লৈত-লায়রবা ইমুং-মনুংশিংনা মচা-মশুশিং প্রাইভেট স্কুলদা লাইরিক তমহন্নবা হোৎনবদা অৱাবা কয়া থেংনরিবা অসি থোক্তনবা গভর্ণমেন্ট স্কুলশিং য়াম্না মোদেল ওইবা মওংদা শেমগৎতুনা গভর্ণমেন্ট স্কুলশিং ফগৎহনগনি। লোয়ননা হৌরক্লিবা নহাশিংবু স্পোর্টসকী লমদা পুশিন্দুনা মতিক চাবা মীওই অমমম ওইহন্নবসু হোৎনগনি। এগ্রিকলচরদা দিপেন্দ তৌদুনা হিংজরিবা লমদম অসিগী মীওইশিংগী শেন্থোক লম্বী লৈহন্নবা থৌরাং-থৌশিলশিংসু শোয়দনা পায়খৎকনি।

**ৱাহং :** নিংতম্বা ফংলবা মতুং শাংলবা চহী ৭৫ শুরক্লবা ফাওবদা অতৈ ষ্টেটশিংগা য়েংনরুবদা ঐখোয়গী ষ্টেট অসিনা য়াম্না শোৎথনা লৈরিবগী অচৌবা মরম করিনা ওইরম্বা য়াই?

পাউ : ইমা লৈবাক মণিপুর শোৎথনা লৈরম্বগী মরম কয়া অমদি লৈখ্রে। অদুবু ৱাফম অমা-অনীদং হায়জরবদা গভর্ণমেন্টকী লৈজরিবা ষ্টেটকী রেভিন্যু অসি ৱাংখৎনবা হোৎনবিরমদবা, ষ্টেটকীদমক থাদরক্লিবা সেন্ট্রেল বজেটশিংদা দিপেন্দ তৌদুনা অদুমক লৈরম্বা, সেন্টরদগী অকক্লবা বজেট খরা পীরক্লিবা অসিসু প্রোপর য়ুটিলাইজেসন তৌবিদবনা দিভেলপমেন্ট লৈরমদবনি। লোয়ননা মতম শাংনা ইন্সরজেন্সিগী ইস্যু লৈখিবা অমদি বোর্দর এরিয়াদা লৈরুবনসু সেন্টরনা খজিক মতম খরা নাথৈরগা থম্বিরম্মী হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। ষ্টেটকী লৈজরিবা নেচরেল রিসোর্সশিং শীজিন্নদুনা মতৌ করম্না দিভেলপ তৌগনি খনবিদবা অমদি বজেটরি নোর্মশিং ফজনা শেম্বিদবা হায়বনচিংবা মরমশিং অসিনা শোৎথনা লৈরম্বনি। করিগুম্বা লৈঙাকপশিংনা ফাইনান্সিএল ওটোনোমি লৈহন্নবা হোৎনবিরম্লবদি লমদম অসি অমুক্কা হেন্না চাওখৎপা য়ারম্বনি। মরম অদুনা হৌজিকসু ইন্টরনেসনলগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদগী মনিং তম্না শেন্থং কয়া লৌথবা ঙম্নবা এসেমব্লিদা ফাইনান্সিএল ওটোনোমি লৈবা ঙম্নবা থবক তৌহন্নিংই।

**ৱাহং :** অদোমগী এদ্যুকেসনদি কদাই ফাওবা লোইশিনবিখ্রবগে? ইমা-পাবুংগী মীংনা করি কৌবগে?

পাউ : ঐহাক ইকোনোমিক্সতা পি এচ দিনি। অপোকপগী মীংনা কক্কয়েনপাইবম বিনোদকান্তি অমদি অপোকপীগী মীংনা কক্কয়েনপাইবম ওংবি বানিসনা কৌই। লৈফম্না শেরৌ অৱাং লৈকায়দগীনি।

**ৱাহং :** পোলিটিসিয়নশিংনা ভোট কারবা মতুংদা থবক কয়া তৌগনি হায়নৈ অমদি পার্টিশিংগী মেনিফেষ্টোদা ইনৈ-ফোঙনৈ, অদুবু মপুং ফানা চাদা ৭০/৮০দি পাঙথোক্তে হায়নরি। সোমদি এ সী অসিগী তৌগে খল্লিবা থবকশিং অসি মপুং ফানা তৌবা ঙমগনি খনবিব্রা?

পাউ : মণিপুরদা খক নত্তনা অতোপ্পা মফমশিংদসু পোলিটিসিয়নশিংবু থাজনদে। মসিগী মরমশিং কয়া অমা লৈখ্রে। মীয়ামগী থম্মোয়দা পোলিটিসিয়নশিং থাজদবা অমা লৈরিবসি ঐগী ওইনা মীয়ামদা থাজবা অমা পীবা ঙম্নবা থবক তৌগনি। মীয়ামগী মীহুৎ অমা ওইদুনা মোদেল অমা ওইদুনা ঐনা সুগনু এ সীগী তৌগে হায়খ্রিবা থবকশিং পুকচেল শেংনা মপুং ফানা পাঙথোক্কনি। হোয়, মীওইবা অমা ওইবনা চাম্মদা চাম্মা থবক খুদিংমক মপুং ফানা পাঙথোকপসু ঙমখিদবা য়াই। অদুবু তম্বা চাবা খঙদনা মীয়ামগীদমক্তদি কৎথোকপা অমগা লোয়ননা পুকচেল শেংনা থবক তৌগনি। অঙাংশিংগীদমক মমা-মপাশিংনা লৌরিবা থৌদাংগুম্না লৈবাক অসিগী লুচিংবশিংনা মীয়ামগী মপি-মপা অমা ওইনা ৱাৎত-পাদনবা হোৎনবা হায়বসি মখোয়গ থৌদাংনি।

মরম অদুনা ঐহাক্না পাঙথোক্কে খল্লিবা থবকশিং অসি মপুং ফানা পাঙথোক্লবগীদমক শুপ্নগী ষ্টেটকী বজেট খক ঙাইদনা সেন্টর স্পোন্সর স্কিমশিং অমদি অতোপ্পা মপানগী লৈবাকশিংদগী শেন্থং কয়া লৌথদুনা থবক ওইনা পাঙথোক্লবা শোয়দনা হোৎনগনি।

**ৱাহং :** এসেমব্লি কন্সটিট্যুন্সি অসিগী অপুনবা ভোটর মশিং অমদি পোল্লিং ষ্টেসন কয়ানো? নন মণিপুরী ভোটরদি লৈব্রা?

পাউ : এ সী অসিগী টোটেল ভোটর অসি হৌজিকমক্কী ওইনা লিশিং ২৭ হেন্না লৈ, পোল্লিং ষ্টেসননা ৩৫ নি। নন মণিপুরী ভোটর ২,০০০ মুক্তি লৈ।

**ৱাহং :** পোলিটিক্স তৌবা পোলিটিসিয়ানশিং মীয়াম্না ফনা ইঙাও ঙাওনদে। মীয়াম্না ফনা ঙাওনদ্রিবা লম্বী অসিদা চঙশিনগে খল্লিবসি করি মরম লৈবননো?

পাউ : মীয়ামগী থৌগল তৌবা হায়বসিদা পোলিটিক্সতা চঙদনা অদুমক তৌবসু য়াই। তৌবতবু পোলিটিক্সতা চঙদনা মীয়ামগী ঐহাক্না ঙমজবা থবক তৌবা হায়বসিদা লিমিটেদ ওইবা মফম কয়া অমা লৈরক্কনি। লোয়ননা মীওই খরগী মতেং পাংবা ঙমগনি অদুবু লৈবাক্কী ওইবা চাওখৎনবগী পোলিসি অমা শেমগে হায়রবদি লনাই তৌবা ঙম্লোই। মরম অদুনা পোলিসি মেকিং তৌগদৌরিবা লেজিসলেচরগী লম্বীদা চঙশিনবা অমা মথৌ তারকই। হৌজিক-হৌজিক মণিপুরদা লৈরিবা দিভেলপমেন্টকী ইস্যু, টেরিটোরিএল বাউন্দরিগী ইস্যু অমদি লৈরিবা কনফ্লিক্টকী ইস্যুশিং কোক্লনবা পোলিসি মেকিংদা য়াওগে খনবদগী পোলিটিক্সকী লম্বী অসিদা খোঙ থাংজিল্লকখিবনি।

**ৱাহং :** করসপন চাওনা লৈরে পুন্নমক্লা খঙনরবা ৱাফমনি। অদুবু করপসনগী মায়োক্তা লেপ্পদি কনা অমত্তনা ঙমদ্রি হায়বা য়াই। করপসন মপুং ফানা মুথৎপা ঙমদ্রবা মকসু খরা খজিক্তং ওইরবসু করি তৌরগদি হন্থহনবা ঙমগনি হায়না খনবিবগে?

পাউ : করপসন হায়বসি মরু ফংনা মাঙহনবা ৱাগনি। খুদম ওইনা হায়রবদা দ্রাই ষ্টেটনি হায়রগা যূ মরাং কায়না ফংবগুম্বনি। লৈঙাক্লা করপসন মুথৎসি হায়না চিনদা লাউরগসু ফেবরটিজম খরদি অদুমক লৈবনা করপসন মাঙহনবা ৱাগনি। হিংনবগী শেন্থোক লম্বী মরাং কায়না লৈতবা মরম্না করপসনগী চাং ৱাংখৎলকপনি। লমদম অসিদগী করপসন হন্থহনসি হায়রগদি ইনকম জেনরেসন এভেন্যু লৈহন্দুনা মশা-মশানা মরোমদোম লেপচবা ঙমহন্দুনা হিংবা ঙম্নরক্লবদি করপসন হন্থবা ঙমগনি হায়না খল্লি। লোয়ননা সেন্ট্রেল স্পোন্সর স্কিমশিং ইক্বেল দিষ্ট্রিব্যুসন ফজনা তৌদুনা মীপুম খুদিংমক্তা ফংহন্দুনা মশা-মশানা হিংজবা ঙম্লবদি অমদি গভর্ণমেন্ট জোব নৎত্রবসু অতোপ্পা সেক্টরশিংদা থবক তৌদুনা চিং লেম্না অমদি চাওখৎনা হিংবা য়াই হায়বগী ৱাখল্লোল পীরবদি করপসনগী থবক তৌনরক্লোই। শেল মরাং কায়না থোক্লরক্লবদি গভর্ণমেন্ট জোব তৌদ্রবসু য়াই, মদুগীদমক শেল পীদ্রবসু য়াই হায়না খন্নরক্কনি।

**ৱাহং :** লৈবাক অসিদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী মায়োক্তা নুপীগী লুপশিং, সী এস ওশিং, মহৈরোয় লুপশিং অমদি লৈঙাক্লা থবক তৌদুনা লাক্লি। অদুবু ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাবা-য়োনবা হন্থরকপগী মহুৎতা হেন্নদুম য়াম্না লায়না থোঙ্গাল-থোঙ্গালদা ফংনরকপগুম তৌরে। মসিগী মরম করিনা ওইরম্বা য়াবগে?

পাউ : ঐখোয়গী হৌজিক লৈরিবা সোসল সিষ্টম অসিনা ওইহল্লকপনি। ইন্টরনেসনল বাউন্দরি অমদসু লৈরুবা অমদি নহাশিংনা তুংগী খন্দনা ঙাইহাক-ঙাইহাক্কী নুংঙাইবা পান্নরকপা অসিনসু অচৌবা মরম অমনি। মীপুম খুদিংমক্তা ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নবনা মীওইবদা অসুক্কী মতিক মাঙজবা কয়া লৈ হায়বগী মতাংদা এৱ্যারনেস মপুং ফানা পীবগী তঙাইফদবা লৈ হায়নসু খল্লি। ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাবা ফত্তে হায়বা ৱাখল্লোল চেলহন্নবা ইহৌ অমা হৌবসু চঙই। অমরোমদা অঙাংশিংবু মমা-মপা ওইবশিংনা অনিংবা-অপাম্বা খুদিংমক মনিং তমহল্লকপা অসিনসু ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাবগী চাং হেনগৎলকপনি হায়বা ৱাফম থমজনিংই।

**ৱাহং :** থবক ফংদ্রিবা নহাশিংগীদমক করি-করম্বা থৌরাং-থৌশিল পায়খৎলবদি অনইমপ্লোয়মেন্টগী প্রোব্লেম হন্থহনবা ঙমগনি হায়না খনবিবগে?

পাউ : অনইমপ্লোয়মেন্টকী লৈরিবা প্রোব্লেম অসি সোল্ভ তৌহনসি হায়রগদি পোলিসি অমা য়াম্না মথৌ তাই। মীওই অমনা করিগী থবক তৌবা পাল্লিবনো হায়বা তারগদি হিংনবগী লম্বী অমা থিরকপনি। হিংবদা তঙাইফদনা চঙলিবা বেসিক নিদশিং অদু পাঙথোক্লবা হোৎনবা মথৌ তারকই। মরম অদুনা ওন্ট্রপ্রেনরশিপকী মশিং হেনগৎহনবা, ইন্দষ্ট্রিএলাইজেসন হেনগৎন্দুনা ইনকম জেনরেট তৌনবা থৌরাং-থৌশিল পায়খৎবা চঙলি। লোয়ননা মণিপুরদগী ইন্টরনেসনল ট্রেদকী লম্বী অমা ফাওদুনা চৎলিবা অসিদগী লমদম অসিগী নহাশিংনা হিংজবা ঙম্নবগী পোলিসি অমা য়াৎথোকপীবা মথৌ তাই। শেংনা হায়রবদা লমদম অসিদা বিজিনেস অমা তৌগে হায়না প্লান য়াৎলকপা মতমদা থিবগী মথৌ তাদবা তোঙান-তোঙানবা টেক্স কয়া থিগনি খনবদা অচৌবা পোৎলুম অমা ওই। মরম অদুনা লো এন্দ ওর্দরসু ফহনবা মথৌ তারি। এদ্যুকেটেদ নহাশিংদা লোন পীগনি হায়রবসু থম্মোয় শেংনা থবক তৌবা পামজবা মীওইশিংদদি লোন ফংবগী চাং য়াম্না ৱাৎলি। মণিপুরদা হৌজিক-হৌজিক ওল রেদি ইষ্টাব্লিস তৌরবা মীওইশিংদনা ওইনা লোন ফংবগী চৎনবি অমা লৈরি। শেল লৈতবগী বেঙ্কতা লোন পীয়ু হায়বনি লৈরগদি করিগী হায়রুগনি। মরম অদুনা লৈঙাক্লা বেঙ্ককী থবক-থৌরমশিংদা মীৎয়েং চঙবিদুনা অরায়বা মওংদা লোন ফংহন্নবা থবক তৌহন্নিংই। বেঙ্কনা লোন পীবা মতমদা ৱাফম অনীখক য়েংহন্নিংই মদুদি শেল পায়জদবা মীওইদা করম্বা মওংদা লোন অরায়বা মওংদা ফংনবা য়াই অমদি ওল রেদি ইষ্টাব্লিস তৌরবা মীওইশিংগীনা করম্বা মওংদা লোন পীগনি হায়বা ৱাফম তোঙান-তোঙান্না থমহন্নিংই। থবক তৌজনিংলিবা নহাশিংদদি কন্দিসন অমত্তা থমদনা অরায়বা মওংদা লোন ফংহল্লবদি চহী খরগী মতুংদা অনইমপ্লোয়মেন্টকী প্রোব্লেম মাঙখিগনি হায়বগী চপচাবা থাজবা লৈ।

**ৱাহং :** মণিপুরগী পোলিটিক্সকী ওইরিবা ফীভম অসিদা করম্বা ৱাখল্লোল চেনবা মীওইশিং চঙলগদি হেন্না চাওখৎপা নুংঙাই-য়াইফবা লমদম অমা ওইরক্কনি খনবিবগে?

পাউ: ইন্দিয়াগী পোলিটিক্স অসিদা ফেদরলিজম ষ্ট্রকচর অমা লৈহন্নিংই। ষ্টেটশিংদা মশাগী ওইবা ওটোনোমি পীবিবা মথৌ তাই। খুদম ওইনা হায়রবদা মণিপুরগী ওইনা ওটোনোমি অনীখক পাম্মী। অহানবদা ফাইনান্সিএল ওটোনোমি অমদি অনীশুবদা স্পোর্টস ওটোনোমি লৈবা মথৌ তাই। ওটোনোমি অনী অসি লৈজরবদি মণিপুর য়াম্না চাওখৎপা অমা ওইরকপা ঙমগনি খল্লি। মরম অদুনা ৱাফমশিং অসি এসেমব্লিদা পুখৎতুনা থবক তৌনিংবগী অচৌবা অনিংবা-অপাম্বা লৈ। লোয়ননা মণিপুরগী পোলিটিক্সকী ফীভম অসিদা মণিপুরগী ওইরিবা ফীভম ময়েক শেংনা খনবা, পুকচেল শেংবা অমদি মমা লৈবাকপু থম্মোয় শেংনা নুংশিবা মীওইশিং পোলিটিক্সতা চঙহন্নিংই।